ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕ, ꯖꯥꯅꯨꯋꯥꯔꯤ ꯰꯹, ꯲꯰꯱꯷, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯰ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯷꯳ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, জান্যুৱারী ০৯, ২০১৬, ইম্ফাল
৪০ শুবা চহী, ২৭৩ শুবা মশীং

# মহারাজ গম্ভীর সিংহ

### *ঙসিগী মীরোলনা চপ চানা ইকায় খুম্নফম থোকই*

মণিপুর মনীং-মখা তম্না মঙাল নাইনা লৈরম্বা লৈবাক অমনি। লৈবাক অসিদা নিংথৌ কয়ামরুম পানখি, অথৌবা কয়া পোকখি। লৈবাক অসিদা পানখিবা নিংথৌ খূদিংমক মীয়াম্না শক্ক-শোন্নদে। অদুবু মতম চুপ্পদা মীয়ামগী লূচিংবনি হায়দুনা নীংশিংনহৌরগদবা নিংথৌশিংগী মরক্তা অমত্তং পনবা তারবদি মহারাজ গম্ভীর সিংহনি। কুমজা ১৭৮৮দগী ১৮৩৪ ফাওবা হিংলম্বা মহারাজ গম্ভীর সিংহগী অতোপ্পা মমিংদি চীংলেন নোংদ্রেনখোম্বা কৌই। মহাক চীংথং খোম্বগী মচানুপানি। মহাক্কুম্বা লূচিংবা অমা মণিপুরীশিংনা ফংলমদ্রবদি ঙসি ঐখোয়না ইমা লৈবাক, চীংলৈপাক মণিপুর অসি লৈরম্লোই। মৈতৈ হায়বা ফুরুপ অমা হিংলিবসিসু পুৱারীগী ৱারী লীখুলদা লৈহৌবা নত্তনা খোঙ্গুল মুৎলম্লগদবনি। মণিপুরদা খুন্দারিবা নাগা, কুকি অমদি অতৈ ফুরুপশিংনা মখোয় মখোয়গী লমনি হায়না মুন্নবদা নত্তনা তোখায়বা লৈঙাক সাসন লৈহনগদবনি হায়রিবা মফম অসি বর্মাদা মচেৎ অমা, ইন্দিয়াদা মচেৎ অমা তিনখিদুনা মফম-মরাং খণ্ডদবা মওংদা লৈরমগদবনি। ঐখোয়গী অপুনবগী শক্তম, ঐখোয়গী অমত্তা ঙাইরবা লমখৈ, ঐখোয়গী ফুরুপ লৈরম্লিবসি মহাক্কুম্বা লূচিংবা অমা ফংজবদগীনি হায়বসিদং খঙলগা ঙসিগী মীরোলনা লূচিংবা অসিগী মফমদা ইকায় খুম্নফম থোক্লবনি। লাইগী মশক ওইরবা লূচিংবা অসি লৈখিদবা নুমিৎ ঙসিনি। নুমিৎ অসিদা ঐখোয়না ঙমজবা খরদং কৎপা হায়বসি তৌফদ্রবা থৌদাং অমনি। মসিমক্লা মরম ওইরগা মণিপুর গভর্ণমেন্টনসু ছুটি থাদুনা মীপুম খূদিংমক্তা লূচিংবা অসিগী ৱাখল্লোন য়ৌহন্নবা হোৎনদুনা লাক্লি। লৈখিদ্রবা লূচিংবা অসিনা তৌরম্বা শীংথানিংঙাই ওইবা থবকশিংগী মনুংদা খরদং পনবা তারবদি বর্মানা মণিপুর লৌশিনখ্রবা তুংদা চহী ৭ চুপ্পা লৈবাক অসিদা লৈরিবা ফুরুপশিং মুথৎনবা হোৎনরকখি।

মচোয়-মচোয় লাঞ্জেন্নখ্রবা মৈতৈশিংবু গম্ভীর সিংহ অমসুং নরসিংহ মচিন-মনাও অনীনা চোইখোম খোম্লগা কছার তম্পাক্তা মণিপুর লেভি লিংখৎখি। মতমদুদা শুপ্পনতগী মীওই ৫০০খক খোম্নবা হোৎনবদা মচিন-মনাও অনীনা কয়া য়াম্না ৱারমগদগে হায়বা মীয়াম্না খন্থবদা থোইনা ৱাগনি নীংদে। য়াম্না ৱানা হোৎনদুনা মণিপুর লেভি লিংখত্তুনা বৃটিশকী মতেঙ লৌরগা মণিপুরদা লান্দারকখি। চহী ৭ চুপ্পা ওৎ-নৈদুনা লৈরকখিবা অৱাশিংবু মহারাজ গম্ভীর সিংহগী লিচিং মখাদা নীংথি তুরেলগী তোর্ব্বান ৱাং ফাওবা তান্থোক্তুনা অনৌবা মণিপুর শেমখি। মহাক্কী মতমদা থোকখিবা খ্বাইদগী নুংঙাইতবা থৌদোক অমা হায়বা তারবদি বৃটিশনা ময়াইদা লেপশিন্নরগা বর্মাগী মীচং চঙদুনা মণিপুরগী লমখৈগী শরুক অমা ওইরম্বা কবো তম্পাক মণিপুরীশিংগী মথানুংদগী শেৎনবগী লৈই চিংখি। ট্রিটি ওফ য়ান্দাবৌ শোয় তৌনরুরগা থম্মোয় শোক্লা হল্লকপদা মহাক্লা লংথবালদা শেমগৎখিবা কোনুংদা লৈখিদে। মশাগী ওইজবা হায়বা ৱাখল মচেৎ অমত্তা পোকখিদ্রবা, মৈতৈ খুন্নাইগীদমক্তা মপূন্সি কৎখিবা, মীয়ামগী য়াইফগনি হায়রবদি নিংথৌ খুবম ফাওবা মীহৌখিদবা অসিগুম্বা লূচিংবা অমা লমদম অসিদা পোল্লন্ত্রা হায়বসি মশাগী ওইজবদা খনবা ঙসিগী লো শেম্বশিংনা শোয়দনা খল্লমগনি। লো শেম্বশিংনা গম্ভীর সিংহগী ৱাখল্লোন অমদি মহাক্কী লৈবাক নীংবা মতৌ লৌবা ঙম্লক্লবা মতমদা মণিপুর করিগীদমক চাউখৎলবা মফম অমা ওইবা ঙম্লোইদৌরিবনো? কাঙলূপ মশেলগী মরক্তা করিগীদমক থরুম তৌনগদৌরিবনো? লূচিংবা অমদা চেনফম থোকপা মতিক ময়ায় চেন্দ্রবদি লৈবাক অদু কাং-খোং চাইরকপা হায়বসি হৌনশা ওইবনা ঙসি মণিপুরী খুন্নাইনা দেমোক্রেসিগী মরুমদা মীওৎ-মীনৈ খাংলগা লৈরিবসিনি। অসিগুম্বা তানফম অসিদা ঙসিগী মীরোলনা লৈখিদ্রবা অথৌবা অসিগী মফমদা লৈ মনা অমত্তং কৎপা অমদি মহাক্কী ৱাখল্লোন অমসুং মহাক্লা মণিপুরী খুন্নাইগীদমক তৌরম্বা থবকশিং হৌরক্লিবা নহারোলশিংদা খঙহল্লবদি নোংমদি মণিপুরসু মমান্নবা ষ্টেটশিংদগী হেন্না চাউখৎপা ষ্টেট অমা ওইরক্কনি। মরম অদুনা ঐখোয়গী হৌরক্লিবা নহারোলশিংদা মহারাজ গম্ভীর সিংহগুম্বা তাঙলবা মীশক অসিগী মতিক ময়ায়শিং ৱারী লীদুনা অপুনবা মণিপুর, চাউখৎপা ষ্টেট, ঐখোয়গী ঙমখৈ ঙাকপা ঙম্বা লূচিংবা থোরক্লবগী ৱাখল্লোন পীবা মথৌ তাই হায়জনিংই।

## ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

### অমজুগী খোঙথাং থাগৎনিংঙাই ওই

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**য়ুনাইটেদ** নাগা কাউন্সিল (য়ু এন সী) না মণিপুরগী নেসনল হায়ৱে অনীমক্তা হৌজিক চত্থরিবা মতম কক্তবা ইকনমিক ব্লোকেদ অসিগী মতাংদা ওল মণিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমজু) গী মীহুৎশিংনা কেন্দ্রগী য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথকা উনদুনা মণিপুরদা হৌজিক ওইরক্লিবা ইশ্যুশিংগী মতাংদা ৱারী শানদুনা অফবা ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা হোৎনরিবা অসিমক্তি থোইদোক্লা থাগৎনিংঙাই ওইবা অচুম্বা খোঙথাংনি হায়জনীংই।

লৈবাকসিগী মরুওইবা অচৌবা থৌদাং কয়া লৌরিবা দেমোক্রেসিগী মরিশুবা য়ূম্বীনি হায়রিবা ঙসিগী মেদিয়াগী ফজখ্রবা ৱাখল্লোনবু ঙসিগী ষ্টেটসিগী লৈঙাক্লা নাথৈবগুম্না তৌবগী মমি অমা তারিবা অসিদা খুন্নাইসিগী মীচম মীয়াম্না লান্না লৌহন্দনবা হোৎনবগী তঙাইফদবা কয়াদি লৈ।

ঙসিগী প্রেস মেদিয়াবু ইকায় খুম্নদুনা অৱাংবা থাক্তা পুখৎতুনা মেদিয়াদা পীরিবা নীংতম্বা অদু ষ্টেটসিদদি লৈতবগুম্না তৌরিবা অসিনা লৈবাকসিদা শান্তি অমদি চাওখৎপগী খুদম ফংদ্রি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই।

ঙসিগী খুন্নাইসিদা মেদিয়ানা পীরিবা কান্নবশিং অসি ঐখোয় খুদিংমক্লা খঙমিন্নদুনা চাওখৎপা শান্তি লৈবা লৈবাক অমা ওইহন্নবা খুদিংমক্লা থৌদাং লৌমিন্নরসি।

*অদোমগী - কোন্থৌজম মনিহার সিংহ*
*সেকমাইজিন খুনৌ*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩৯

১। ‘নুংশি ৱাখৈবা’ উপন্যাসকী অইবদু কনানো?
২। ‘থোঙ লোনখ্রবা পান দুকান’ ৱারীমচাগী লাইরিক অসিগী অইবদু কনানো?
৩। ‘‘অদুবু ঙসিদি/য়েকপা ঙমদরে মী অমদি শাগী খেন্নবা’’ ৱাহৈশিংসি অইবী কনানা হায়বনো?
৪। 'Iris of the Sky' হায়না ইংরাজিদা শৈরেং লাইরিক অমা হন্দোকপা হন্দোকলোয় অদু কনানো?
৫। ‘ঈশৈ অমতং নঙমুক ফজবা’ ঈশৈ শৈরেং লাইরিক অসিগী অইবদু কনানো?

ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জান্যুৱারী ১৩, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।
ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।

## লৌমীশিংগী কাখল

# ওর্গানিক মেন্যুরশিংগী মরক্তা গ্রীন মেন্যুর

এস সুমঙ্গল সিংহ

**গ্রীন মেন্যুর করিনো ?**

পত্থ-পুমথদ্রিবা অশংবা মনা মশিং কয়াবু লৈবাক্তা খোইজিন্দুনা লৈবাক লৈশা ফগৎনবগা লোয়ননা লৈবাক লৈহাও কন্নবা হোৎনবা থৌওংবু গ্রীন মেন্যুরিং হায়না খঙনৈ। অদুগা মসিদা শীজিন্নরিবা পোৎলমশিং অদুবুনা গ্রীন মেন্যুর হায়না খঙনৈ। মওং অমা নৎত্রগা অমদা হেক্তা ঐখোয়না লৈবাক্তা অশংবা মনা মশিংবু লৈবাক্তা খোইজিনবগী থৌওং অসি ইপা ইপুশিংগী হাক্তগী শীজিন্নদুনা লাক্লবসু মসিগী থৌওং অসিনা লৈবাক লৈশা করম্না ফগৎহল্লিবা, লৈহাও করম্না কাহল্লিবা হায়বা অসি মমুৎ তানা খঙদ্রবসু থৌওং অসিদি ইপা ইপুশিংনা অদুমক চত্থদুনা লাক্লবনি হায়বসিদি চুমগনি। অদুমকপু গ্রীন মেন্যুরিং তৌরিবনি হায়না খল্লগা তৌদবা য়াদবা, কান্নরবা থৌওং অমা ওইনা চত্থবদি হৌজিক্লা হেন্না ৱাৎলব্রা খল্লি। মরমদি হৌজিক্কী পুথোক্লিবা শীজিন্নবদা নুংঙাইবা/লায়বা, খুদোংচাবা হেনবা রসায়নগী হার মখল কয়া অমা থোক্লকপদগীনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। খঙজিনবা য়াবদি, গ্রীন মেন্যুরিং তৌবনা লৈবাক্তা ওর্গানিক মেট্টর হাপচিন্দুনা লৈবাক লৈশা ফগৎহনবগা লোয়ননা মতম তেন্না শাহৌ ফনা হৌবা ঙম্বা, নুংশিৎতগী নাইট্রোজেন হায়রিবা পাম্বীগী চঙদ্রবা য়াদ্রবা মচিঞ্জাক মচল অসি মতিক চানা পীবগা লোয়ননা লৈবাক লৈহাওবু তুং কোয়না শীজিন্নবা য়াহনগদৌরিবনি হায়বা ৱাফম অসিনি য়াম্নমক মরু ওইরিবদি। খরা খঙজিনমীন্নসি।

**গ্রীন মেন্যুর পাম্বীশিংগী চেনফম থোকপা মগুন ঃ-**

১) পাম্বীনা নৌরিঙৈদা মনা/মশা মরেং য়াম্না পানবগা লোয়ননা খূৎলৈ থুনা হোম-হোম চাওগনবা পাম্বী ওইবা তাই।
২) পাম্বীশিং অসি খরা থোৎ-থোৎ লাওবগা লোয়ননা মতোন য়াম্না পুংবা ওইগদবনি।
৩) লম কয়া ফত্তবা মফমদসু নিংথিনা হৌবা ঙম্বা পাম্বী ওইবনা ফৈ।
৪) পাম্বীশিং অসি মরা লুনা চৎপা ওইবা ফৈ।
৫) মরাদা নুদল য়াম্না শেম্বা ঙম্বা হৱাই পাম্বী ওইরগদি য়াম্না ফরে।

মরুওইনা লৈবাক্তা নাইট্রোজেনগী চাং ৱাংনা হাপচিল্লম্বা ঙম্বা হৱাই মখল ওইবনা খ্বাইদগী ফৈ। পাম্বী মখলশিং অসি চাওরাক্লা মখল অনী থোক্লা খাইদোক্তুনা য়েংবা য়াই।

১) হৱাই মখল নত্তবা পাম্বীশিং ঃ পাম্বী মখলশিং অসিদি লৈবাক্তা ওর্গানিক মেট্টর হাপচিল্লম্নবা ওইনা অয়াম্বা শীজিন্নৈ। কয়া তোয়না শীজিন্নবা ওইদে। খুদম ওইনা পনবা য়াবা পাম্বীশিংদি - হঙ্গাম, গেহু, হঙ্গাম মুলা, গজর, চনাল, চুজাক, নুমিৎলৈ পনবা য়াই।

২) হৱাই পাম্বীশিং ঃ পাম্বী মখলশিং অসিদি লৈবাক্তা ওর্গানিক মেট্টরগা লোয়ননা পাম্বীগী মরুওইবা মচল নাইট্রোজেনসু হাপচিল্লম্মী। মখলশিং অসিনা খ্বাইদগী তোইনা শীজিন্নবা পাম্বীশিংনি।

খুদম ওইনা পল্লবদা - উ-হৱাই মতোন, চু-চু লাংমৈ, হৱাই মুগ, হৱাই অশাংবী, হৱাই মুসোরি, কশারি, হৱাই মঙ্গন, guar, senji, berseem পনবা য়াই।

**গ্রীন মেন্যুরিং তৌবগী মওং ঃ**

১) ফৌ থাদ্রিঙৈ নৎত্রগা অতোপ্পা খরিফ পাম্বী থাদ্রিঙৈ মাঙওইননা লৌফমদা মতম তেনবা হৱাই কাঙলুপকী পাম্বী মখলশিং মে-জুন থাদা হুল্লগা জুলাই, ওগষ্টতা খোইজিনবা মওং অসি অন্ধ্রা, টামিল নাদু, কেরলা, কর্ণাটাকা, ওরিষা, ৱেষ্ট বেঙ্গলনচিংবা ষ্টেটশিংদা তোয়না পাঙথোকপা মওংনি।

২) মপূং ওইবা পাম্বীশিংগী কারক্তা গ্রীন মেন্যুর পাম্বীশিং মরু হুনজিল্লগা থা অমা মখায়, অনী শুরকপদা লৈবাক্তা নমশিন্দুনা পুমহনবগী মওংনি। ফৌগী কারক কারক্তা চু-চু লাংমৈ নৎত্রগা উ-হৱাই মতোন হুনজিল্লগা মদুনা মপান শাবা হৌরকপদা লৈবাক্তা ফুমজিনবা; চুজাক্কী কারক্তা হৱাই অশাংবী থাজিনবা অসিনচিংবা পনবা য়াই। অহানবগী থৌওং অসি পঞ্জাব, উত্তর প্রদেশ, গুজরাট, কর্ণাটাকা, মধ্য প্রদেশতা পাঙথোক্নৈ।

৩) পোৎ চৈ থাদবা লমহাংদা গ্রীন মেন্যুর পাম্বী থাবা ঃ খরিফ পাম্বীশিং থাদনা লৌফমদুদা গ্রীন মেন্যুর পাম্বী থারবা মতুংদা লৈহাও নিংথিনা কাহল্লবা মতুংদা রবিগী পাম্বীশিং নিংথিনা থাবা অসিনি। থৌওং অসিদি মনা-মশিং, গেহু থাবা লমদা পাঙথোক্নৈ।

**গ্রীন মেন্যুরিং তৌবগী মখল ঃ**

এ) **গ্রীন মেন্যুরিং ইন সিটু ঃ** হায়রিবা মখল অসিদি লৌফম মশামক্তা গ্রীন মেন্যুর পাম্বী অদু থারগা লৌফম অদুমক্তদা খোইজিনববু খঙনৈ।

১) থাফম শেম্বা ঃ লৌফম অদু নিংথিনা খোইদোক্তুনা অমদি উকায় তক্তুনা শেম-শাবীগনি।
ক) মরু হুনবা মতম ঃ মে/জুন থাদা অহানবা কুমগী নোং হেক চুবগা লোয়ননা চু-চু লাংমৈ নৎত্রগা উ-হৱাই মতোন মরু হুনবা য়াই। মসিনা মপান হেক শাবা হৌরকপগা লৈবাক্তা মমুৎ তানা খোইজিল্লগা ফৌ থারবদি ফৌ নিংথিনা থোক্কনি।
খ) থাবগী মওং ঃ মরুশিং অদু চবাক ওইনা (ব্রোদকাষ্টিং) হুনবীবা য়াই।
গ) মরুগী চাং ঃ লৌ পরী অমদা চু-চু লাংমৈ মরু কিলো ৪০-৪৫, উ-হৱাই মতোন কিলো ৪০-৫০, বর্সীম কিলো ২০-২৫, মুগ কিলো ২৫-৩০, লুসর্ন কিলো ১৫-২০ হুনবীবা য়াই।

**হারগী চাং ঃ** মখোয়শিং অসি হুল্লমদাইদা ফোসফরসকী হার চাইবা য়াম্না কান্নৈ। মসিনা গ্রীন মেন্যুরিং পাম্বীশিং অসি শাহৌ ফহন্দুনা মরা নিংথিনা তাহন্দুনা নাইট্রোজেন য়াম্না ফাজিনবা ঙমহল্লি। অসিদসু নত্তনা চাইরিবা ফোসফরসকী হারশিং অদু ওর্গানিক ওইবা মওংদা ওন্থোক্তুনা অমদি মখোয়না পত্থ পুমথরবা মতুংদা থাগদৌরিবা পাম্বীনা ফংবদা মতেং য়াম্না পাঙবা ঙম্মী। লৌউ পরী অমদা সুপর কিলো ১৫০ মরু হুল্লমদাইগী মতমদা খোইবদা হাপ্পীবা য়াই।

**গ্রীন মেন্যুরিং পাম্বী খোইজিনবগী মওং ঃ**

খোইজিনবগী খ্বাইদগী ফবা মতমদি পাম্বীশিং অদুনা মপান শারিঙৈ মতমদনি। অয়াম্বা পাম্বী মখলশিং অসি চু-চু লাংমৈনা থা অমা মখায়দগী থা অনী অদুগা উ-হৱাই মতোন্না থা অমদগীনা খরা হেনবা মতমদা মপান শাই। পাম্বীনা য়াম্না লিশিন্দুনা কনশিন্দ্রিঙৈ মতমদা খোইজিনবদা ওর্গানিক মেট্টরগা লোয়ননা অতৈ মচলশিং নিংথিনা লৈবাক্তা হাপচিনবা ঙম্মী। লৈবাক্তা ইনিল নিংথিনা লৈহনবা চঙই, মসিনা খোইজিল্লিবা পাম্বীশিং অদু খূৎলৈ থুনা পত্থবদা মতেং পাঙই। খোইজিল্লবা মতুংদা য়ামদ্রবদা নুমিৎ ২০-২৮ নি চঙনা নিংথিনা পত্থহল্লবা মতুংদা ফৌ নৎত্রগা অতৈ পাম্বীশিং থাবা য়ারে।

**বি) গ্রীন লিফ মেন্যুরিং ঃ** হায়রিবা মওং অসিনা অতোপ্পা মফমদগী হায়বদি উমং ৱামং, শোরোক্কী মতাই, লমহাং তুহাংদা হৌবা পাম্বীশিংগী অনৌবা পাম্বীগী মশা মরেং মনানচিংবা খোম্লুরগা লৌফমদা হাপচিন্দুনা খোইজিনবগী থৌওংনি। মসিগী চানবা পাম্বী মখলশিংদি কেগে পাম্বী, কোলমনি মানবী, লম চু-চু লাংমৈ অসিনচিংবা পনবা য়াই।

**গ্রীন মেন্যুরিং তৌবগী কান্নবা ঃ**

১) মসিনা লৌফমদা ওর্গানিক মেন্যুর হাপচিন্দুনা লৌফমগী লৈশা ফগৎহল্লি। লৈশা ফগৎহনবা হায়বদি পাম্বীনা মরা নিংথিনা চৎপদা মতেং পাঙদুনা পাম্বীনা নিংথিনা হৌবা ঙমহল্লি হায়বনি। লৈশানা ঈশিং চুপশিনবা অমসুং ফাজিনবা ঙমহল্লি লোয়ননা লৈবাক্তা নুংশিৎ মরাং কায়না ফংহনবসু ঙমহল্লি। হায়রিবশিং অসি পাম্বীনা নিংথিনা হৌবদা মতেং পাংবা থৌওং ঙাক্তনি। অসিদসু নত্তনা পাম্বীনা হৌবদা চংদবা য়াদ্রবা হিংকুপশিং নিংথিনা লৈহনবদসু মতেং পাঙই।

২) পাম্বীগী মরু ওইবা মচিঞ্জাক মচল নাইট্রোজেন নিংথিনা হাপচিল্লম্বগা লোয়ননা লৈবাক্তা লুথনা লৈখ্রবা পাম্বীগী মচিঞ্জাক মচলশিং লৈনুংদগী চিংখৎলক্তুনা লৈবাক লৈরোল অথেনবদা হাপচিল্লমদুনা মথং থাবা পাম্বীদা ফংহল্লি।

৩) গ্রীন মেন্যুর ক্রোপ থাবনা ঈশিংনা লৈবাক লৈহাও চেন্থদুনা মাঙখিগদবদগীসু কনবা ঙম্মী। অসুম্না চেন্থবদা য়াওখিদুনা মাঙলমগদবা পাম্বীগী মচিঞ্জাক মচলশিং কলহৌদুনা মথং থাগদবা পাম্বীদা ফংহল্লি। মতম শাংনা লৈবাক্তা পাম্বীগী মচলশিং থল্লবসু মতেং পাঙই।

৪) বাইওকেমিকেল এক্টিভিটি হেনগৎহনবা ঃ গ্রীন মেন্যুরিংদা হাপচিল্লিবা মচলশিং তুমহনবদা হিংকুপশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা বাইওকেমিকেল এক্টিভিটি হেনগৎনবগীসু থৌদাং লৌই।

৫) গ্রীন মেন্যুর ক্রোপশিং অসি য়াম্না থুনা চাওগনবা পাম্বী ওইবনা নাপীদগী হেন্না চাওদুনা নাপীশিং মাঙহনবদসু মতেং পাঙই হায়বা য়াই।

৬) খ্বাইদগী মরু ওইবা গ্রীন মেন্যুরিং তৌবনা চাথোক হেনগৎহনবা অসিনি হায়বা তাই। মরু ওইনা ফৌগী চাথোক হেনগৎহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌই।

পাম্বীশিং অসিনা লৈবাক্তা হাপচিনবা ঙম্বা নাইট্রোজেনগী চাংদি - লৌ পরী অমদা চু-চু লাংমৈনা কিলো ৭৭.১; উ-হৱাই মতোন্না কিলো ৮৪; মুগনা কিলো ৩৮; হৱাই অশাংবীনা কিলো ৫৬.৬; হৱাই মঙ্গলনা কিলো ৮০ অসিনচিংবা পনবা য়াই।

অসুম্না গ্রীন মেন্যুরিং তৌবগী কান্নবশিং অসি খঙবীবগা লোয়ননা মতম অমদি মফম চাবা তাঞ্জা য়েংদুনা গ্রীন মেন্যুরিং তৌদুনা চাথোক হেনগৎহনবগা লোয়ননা লৌফমশিং অসিবু তুং কোয়বা লৌউ ওইহনবা য়ানবা হোৎনরসি।

# শিবগী চাং হন্থহন্নবা ওক্লাও য়োকপা

ডা: সরাংথেম জেস্মারাণী

***শেন্দাল*** লম্বী অমা ওইনা মণিপুরগী মীচম মীয়াম অয়াম্বনা ওক লোয়নরি। ওক য়োকপা ফনা হৈরগসু পোকপদা ঙাইরিবা ওক্লাও য়োকপগী কয়া খূৎলোয়দবনিনা শিবগী চাং য়াম্না ৱাংই। মসিনা শেন্দোং লৈহনবা ঙমহন্দে। ওক মপীনা মচাগা শাগোন্নরগা লৈমিন্নবা হৈরগদি য়াম্না ফৈ অদুবু করিগুম্বা মপীদু শাজৎ থীবা ওইরগদি মচা নিংথিনা শেন্নবিদবদগী শিবগী চাং য়াম্না ৱাংই। লুরিবদি মচা পোল্লবা তুংদা মপীদু লাইবক থীদুনা শিখিবা তারগদি ওক্লাওদু ওকপুনা নিংথিনা শেন্নবিদ্রগদি শিবগী চাং য়াম্না ৱাংই।

ওকপু অয়াম্বনা মশাগী ওকশিং মচা হেক পোকপগা মচাশিংদু অমমম মপীনা নন্দনবনি হায়দুনা থুমোক্তা হাপ্পগা থল্লবা মতুং মচা লোইনা পোল্লগা নাওফম তারবা তুংদা মপিদগী মখোম পীথকই। মসিসু নুমিৎ ২/৩ নিদি মখোম পীথক্লমদাইদা থুমোক্তগী অমুক লৌথোক্লগা পীথক্লবা তুংদা অমুক থুমোক্তা থল্লগা চোংথোক্তনবা কুপশিল্লগা থম্মী। মসি তৌবিরোইদবনি। মসিগী মহুৎতা মকোন নিংথিনা শাবীদুনা মচাশিং থম্বীগনি।

ওক মপীনা মচা লৌখ্রবা তুংদা গর্ভ পুবগী মতমসি নুমিৎ ২১৫ নিনি। মসি ঐখোয়না ইরায় লায়না থা ৩, হাপ্তা ৩, নুমিৎ ৩ নিনী হায়না পাবসু য়াই। থা ৩, হাপ্তা ২ শুখ্রগদি চাবোক্কদৌরিবা মকোন দুগী মতাইগী কাচিন অমদা মচা থম্নবা মফম শেম শাবীগনি। হায়রিবা মচা থম্নবগী মফম শেম শাবসি শেল য়াম্না চঙদনা ৱানা নৎত্রগা উনা শাবসু য়াই। নিংথমথাগী অইংবদগী ঙাকথোক্লবা অকোয়বদসু বোরানচিংবা খাজিল্লগা মনুংদা চরু থাবীদুনা লুম্না থম্বীগনি। ওক্লাও লৈনবা কা মচাসি ওক্লাওনা চঙথোক চঙশিন তৌবদি য়াহনগনি অদুগা মপীনা চঙবা চলহল্লোয়দবনি। ওক মচা পোকপা মতমদা য়ামদ্রবদা মচা ৪ দগী ১০ ফাওবা পোকই। হায়রিবা মচাশিংসি মরী মরী পোকপদি নত্তে অদুনা ওক্লা মচা হেক পোকপা মতমদা মাবু মতম পুম্নমক্তা লোয়নদুনা লৈরিবা মপুনা মনাক্তা লৈবিরগদি য়াম্না ঈংনা তপ্পা মচা পোকপা ঙম্মী। অসুম্না মচা অহানবা পোকপগা পাঙথোকপীগদবা থবক থৌরমশিংদু থমজরি ঃ-

ক) ওক মচা হেক পোকপগা অনানবা অকংবা ফী অমনা ওক্লাওগী মনাতোন অমদি মচিন্দা পক্লকপা অনপ্পা মচুম অমসুং কুরাংবানশিং অদু তৈথোকপীগনি। করিগুম্বা মতমদা শ্বর হোনবা ঙমদবা তারগদি পাইপ অমা লৌরগা মনাতোন মখুন্দগী মহী মনায় অদু চিংথোকপীগনি অমদি অশেংবা নুংশিৎ মনাতোন মখুন্দা কামশিনবীবগা লোয়ননা ওক্লাও অদুগী মথবাক্তা খূৎশানা হঙ্গৎ হন্দা প্রেসর পীরগা শ্বর হোলহন্নবা হোৎনবীগনি । অসুম্না মপূং ফানা শ্বর হোনদ্রিফাওবা হঙ্গৎ হন্দা নান্দুনা শান্নবীগনি।

খ) শ্বর নিংথিনা হোল্লবা মতুংদা খোইরি ককপীগনি। খোইরি ককপা মতমদা আইওদিন্দা লুপ্পবা লংনা মবুক্তগী ইঞ্চি মখায়রোম চথোকপীরগা হায়বদি ইঞ্চি অনীরোম চত্থরক্লগা অনীশুবা কীশি অমা অমুক কীশিনবীগনি। কীশি অনীগী ময়ায়দা কাটি নৎত্রগা ব্লেদ অমনা খোইরি অদু ককথৎপীরগা ককফম মতোন্দুদা টিনচর আইওদিন তৈশিনবীরগা থম্বীগনি।

গ) খোইদৌ কক্লবা মতুংদা মপীদগী মখোম পীথক্লবা হোৎনবীগনি। মচা পোকপা লোইদ্রিঙৈদা অহানবা পোকপা মচাদগী হৌনা খোইরি কক্লবা তুংদা মপীদগী মখোম পীথক্লবা হোৎনবীগনি। মসিনা হোর্মোনেল চেঞ্জ কয়া অমা লাক্তুনা মচা খাও চপশিল্লক্তুনা য়াম্না থুনা মচা পোকপা লোইশিনবগা লোয়ননা নাওফমসু ঙন্না তাবা ঙমহল্লি। নীংশিংবীগদবা অমনা ওক মপীগী মখা থংবা মখোমদু ননবদগী ওক্লাওনা মখোম নীংথিনা থকপা ফংহন্দবদগী অমগী মথক্তা অমা নন্দুনা থক্লবা হোৎনবদগী ফনবা মখাগী খোমজিন পরেংদু মখাদা ফী অমা থাবীদুনা মথক লোমদা পুথোকপীগনি।

ঘ) মথংদা অমুক ময়া ককপীগনি। ওক্লাওশিংদি পোকপা মতমদা ময়া নীপান ‘নীদল টিথ’ হায়নসু খঙনৈ। হায়রিবা ময়া নিপালসি মথক্তা মরি মখাদা মরি হৌই। মসি য়াম্না তুম্বা মরম্না মপীদগী মখোম থকপা মতমদা য়াম্না থকপা ফংদবদগী খোমজিন চীকথৎপদগীসু মপীনা ফুক ফুক হৌগৎতুনা ওক্লাও ননবগী চাং য়াম্না ৱাংই। মরম অসিনা ওকপুনা ময়া নীপানদু ককথৎপীগনি। ময়া ককপা মতমদা ইরায় লায়না য়ূমদা শীজিন্নরিবা নেইল কটরনা ককপীবা য়াই। মসি ককপা মতমদা ময়াগী ময়ায় ওইরপ্পা ককপীগনি। করিগুম্বদা ওক্লাওনা য়াম্না লেংমনবদগী ককপদা হেনজিনখিদুনা ঈ থোরকপা তারগদি করিসু মীপাইনিঙাই লৈতে। লশিং অমা নপশিনখিবদা ঈ অদুমক খকচখিগনি। চেকশিনবীগদবা অমনা ময়া ককপা মতমদা য়াখোঙ নোমদনবা অথৌবা মচিন লৈহৌদনবা অমদি য়ারি শোক্তনবা চেকশিন্না ককপীগনি।

ঙ) ময়া ককথৎলবা মতুংদা মচা পোকপা লোইদ্রগদি মপীগী মনাক্তা অদুম থম্বীগনি। মচা পোকপা লোইরগা মকোন মনুংদা শেল্লিবা ওক্লাওগী লৈনবা কা মচাগী মনুংদা ওইনা পুল্লপ হাপচিল্লগা থম্বীগনি। নোংমদা য়ামদ্রবদা ওক্লাওশিংদু ৬/৭ লক মপীগী মখোম পীথকপীগনি। মচা পোকপদগী নুমিৎ হুমনি ফাওবদি মখোমদা য়াওবা কোলোষ্ট্রমনা নৌরিবা মশা মউ ফহন্নবা অফবা মখলগী প্রোতিন, ফেট, মিনরেল অমদি ভিটামিনশিং মতিক চানা ফংহল্লি। মসিদা নত্তনা কোলোষ্ট্রমনা পোকপদা ঙাইরিবা ওক্লাওশিংদা মমাগী পুক্লুংদা লৈরিঙৈ মতমদগী য়াওরকপা নাওথিদু ফাইদোকহনবদা মতেং পাঙই। মরমসিনা ওক্লাও অমা পোল্লবা মতুং পুং ২৪ ফাওবদা মপীগী মখোম ফংহন্নবা হোৎনবীগনি।

চ) করিগুম্বদা পোল্লকপা মচাশিংনা খোমজিন মশীংদগী হেল্লবা নৎত্রগা মপী শিদোকখ্রবা নৎত্রগা মরম খরদগী মপীগী মখোম থোকখিদ্রগদি অহেনবা ওক্লাও নৎত্রগা মপী লৈত্রবা ওক্লাওশিংদু মখোয়গা চাউবা হায়রপ মান্নবা অতোপ্পা মপী অমদা থাজিন্দুনা য়োকহনবীগনি। অতোপ্পা মপীগী মনাক্তা থাজিনবিদ্রিঙৈ মমাঙদা মপীগী মনাক্তা লৈরম্বা চরু/অতোপ্পশিংদু ওক্লাওদা তৈশিনবীদুনা মপীগী মনম নমহল্লবা তুংদা মপীগী মনাক্তা হাপ্পীরগা মখোম পীথকপীগনি । মপীগী খুদোংচাবা ফংদ্রগসু মপীগী মখোমগী মহুৎ শিনবা য়াবা মচিঞ্জাক পীথক্তুনা য়োক্কদবনি। ওক মপীনা মচা পোকপা হেক লোইবগা শিখিবা তারগদি ওক্লাওশিংদা কোলোষ্ট্রম থকপা ফংদ্রগদি অতোপ্পা ওক মপীগী কোলোষ্ট্রমনা শিনবসু য়াই। মচা য়াম্না চেন্দবা মপী অমগী মনাক্তা ওক্লাওশিং থাজিনবা তারগদি মপী অদুগী অহেনবা খোমজিনশিংদু কংশিন্দ্রিঙৈদা থাজিনবীগনি। থাজিনবা মতমদা অনৌবা ওক্লাওশিং অদু হান্নগী ওক্লাওশিংগা মনম মান্নদবগী চীক্তুনা তান্থোরকপা য়াই। মসি থোক্তনবা মপীদুনা চেল্লল্লিবা ওক্লাওশিংদু ফাজিনবীগনি। য়ানশিন্নদুনা লৈরবা ওক্লাওশিংদা মনম লৈবা পোৎশক অমা চাইশিনবীদুনা পুং অমরোম থম্মীনরবা মতুংদা মপী অদুগী মনাক্তা পুল্লপ থাজিন্দুনা মখোম পীথক্কদবনি। মপীগী মখোম মহুৎ শিনবা মচিঞ্জাক মরাং কায়না পীজদুনা য়োকপা তারগদি লায়না ফংবা ঙম্বা ষণবীগী শঙ্গোম অনৌবা লিটর অমদা য়েরুম অহিংবা অনী, বদাম থাউ মিলিলিটর অনী, খোইহি মিলিলিটর ৫০, ফেরস সলফেৎ সোলুসন মিলিলিটর অনী, ভিটামিন মিনরেল মিক্সচর মিলিলিটর অনী অমদি এন্টিবাইওটিক্স মিলিগ্রাম ৪০ ফজনা থিৎলগা অঙাংগী খোংচুপ্তা হাপ্তুনা নোংমদা ৬/৬ মুক হাপ্তা অনী পীথকপীগনি। অসুম্না ওক্লাও অমনা নোংমদা মিলিলিটর ২০০ ফাওবা পীথকপা য়াই।

ছ) পোকপদগী নুমিৎ মরিনি শুবদা ওক্লাও খুদিংমক ঈ ৱাৎপগী লায়নাদগী ঙাকথোক্নবা আইরন কাপথোকপীগনি। মসি নুমিৎ ৭ নি শুবদা কাপ্লবা মতুংদা অমুক নুমিৎ ১৪ নি শুবদা অমুকসু কাপথোকপীগনি। মসি নৎত্রগসু ওক মপীগী মখোম অমদি খোমজিনশিংদা ফেরস সলফেট মিলিগ্রাম ০.৫ ঈশিং অশাবা লিটর ১০ দা য়ানশিন্নদুনা শেল্লবা মহীসু নুমিৎ খুদিংগী পোকপা নুমিৎতগী মচা খায়নবা নুমিৎ ফাওবা তৌবিরগদি হায়রিবা ঈ ৱাৎপগী লায়নাসি য়াম্না লায়না কনবা ঙমগনি।

জ) নুমিৎ ২৫ নি শুরগদি ওক্লাওশিংদা অফবা মখলগী শজিক অথোৎপা অনৌবা মনা-মশিং ককথৎলগা পীজবা তম্বীগদবনি। অসুম্না নুমিৎ খুদিংগী অশংবা মনা মশিং মরাং কায়না ফংহন্নবা হোৎনবীগনি।

ঝ) নুমিৎ ৩০-৪৫ শুরবা মতমদা অঙৈং অশাগী ফীভম য়েংলগা মপাশা ওইরোইদবা কাঙবুদি মচা শেমদোকপীবা য়াই। মচা শেম্বা মখল অনী শুই। মখোয়দুদি ঃ
ক) কেমীকেল শীজিন্নরগা শেম্বীবা অমা
খ) লেন্থুৎলগা টেষ্টিকল লৌথোকপীবা

**ক) কেমিকেল শীজিন্নরগা শেম্বীবা ঃ**

হায়রিবা মওংসিগী মখাদা ওক্লাওবু মচা শেম্বা মতমদা গ্লেসিয়ল এসিটিক এসিদ - মিলিলিটর ১৭, দিষ্টিল ৱাটর-মিলিলিটর - ৮৩ অমসুং পোটাসিয়ম পরমেনগনেট ০.২৫ গ্রামনা পুনশিল্লগা শেম্বা মিলিলিটর ১০০ গী ওইবা মহীসি ওক্লাওশিংগী টেষ্টিকলদা মিলিলিটর ২/২ কাপ্পীরগা মশা শেমদোকপীবা য়াই। হীদাক কাপ্পবা মতুংদা টেষ্টিকলদু পোমখৎলগা লৈবা থেংনবীগনি। মতুং নুমিৎ ২১ দগী ৩০ ফাওবগী মনুংদা টেষ্টিকলগী চাওবগী চাং হন্থদুনা পুন্মাং মাঙখিগনি।

**খ) লেন্থুৎলগা টেষ্টিকল লৌথোকপা ঃ**

মসি তৌবদা অহৈবা মী কৌরগা টেষ্টিকল লৌথোকই। মসি তৌবদা ওক্লাওশিংদা চৈনাখোল ফাওবা মরম্না চাবা থকপদা খুদোংচাহন্দবসু য়াওহল্লি।

মরমসিনা মচা শেম্বগী থবক্তদি অহানবগী হীদাক কাপ্লগা শেম্বসিনা হেন্না ফবা হেল্লি। মরমদি মসিদা শেল চঙবসু নত্তে অদুগা ওক্লাওশিংদা চৈনাখোল অমত্তা পীদবনা মরম ওইরগা চাবা থবকপদা করিসু অয়েৎ অপন ওইহন্দে। মসিনা হেন্না খুদোংচাবা হেলহল্লি। অসুম্না ওক্লাওশিংবু পোকপদগী মখোম খায়দ্রিঙৈগী চৈরকসিদা চেকশিন্না শেন্নবীরগদি ওকপুশিংদা কান্নবা পীবা ঙম্বতা নত্তনা লৈবাক খুন্নাইগী শেল থুমগী ফীভমসু ফগৎহল্লক্কনি।